হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, মার্চ ১২, ২০২১, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ৩৩২শুবা মশীং

# থাবল চোংবা, শুমাং লীলা থিংখিবা

## অতোপ্পা মখলগী মীয়াম তিনবা হরাও কুম্মৈশিংসু থিংহন্নীংই

লৈবাক অসিদা থা অমা হেন্না কোভিদ-১৯গী অনৌবা পোজিটিভ কেস থেংনবগী চাং নেম্না লৈরক্লবা মতুংদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অমুক ৱাংখৎলকপা থেংনরি। অনৌবা পোজিটিভ কেস থেংনবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসি মরু ওইনা মহারাষ্ট্র, কেরলা, পঞ্জাব, কর্ণাটাকা, গুজরাট অমসুং টামিল নাদুদনি। ষ্টেটশিং অসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কোভিদকী অনৌবা কেসশিং থেংনবগী চাং নুমিৎ খুদিংগী হেনগৎলকপা থেংনরি। লৈবাক অসিদা নুমিৎ কয়ানি কোভিদ-১৯গী কেস থেংনবগী চাং নেম্না লৈরুরবা মতুংদা অমুক ৱাংখৎলকপা হায়বসি মীপাইনীংঙাইনি। ষ্টেট খরদা কেস থেংনবগী চাং ৱাংখৎলকপা অসিনা লৈবাক পূম্বদা অমুক লায়না লাইচৎ অসিগী কেস মশীং ৱাংখৎলক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মণিপুরদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং য়াম্না নেম্না চৎলিবা অসিসু ৱাংখৎলকপা য়াবগী মীপাইবা লৈতবা নত্তে। হৌখিবা মার্চ ৮দা মহারাষ্ট্রদগী হল্লকপা অমগা কেরলাদগী হল্লকপা অমগসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। মমাঙদা মুম্বাইদগী হল্লকখিবা মীওই অনী অমদি গুৱাহাটিদগী হল্লকখিবা মীওই অমসু পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবনি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেবনা শোকহল্লে হায়রিবা ষ্টেটশিংদগী মণিপুরদা হল্লকখিবা মীওইশিংগী মরক্তা পোজিটিভ ওইবা থেংনরকপা অসি তরাইনা লৌহন্নীংদে। ষ্টেট অসিদা কুমজা ২০২০গী মার্চ থাদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯ কেস থেংনখ্রবা মতুংদা থা খুদিংগী কেস থেংনবগী চাং হেনগৎতুনা লাকখিবনি। অদুবু কুমজা ২০২০গী ওক্টোবর থাদা কেস ৭৫১৯ থেংনখ্রবা মতুং নবেম্বর থাদগীদি অমুক তপ্না তপ্না হন্থরকখিবনি। নবেম্বর থাদা কেস ৬৫৪৩, দিসেম্বরদা ৩১৪৩, জন্যুৱারীদা ৮৮৮ অমসুং ফেব্রুৱারী থাদা ২০১ থেংনখিবনি। মার্চ ১দগী ১০ ফাওবগী ওইনা কেস ৩২ খক থেংনরি। মার্চ থা অসিদা কেস অমা ফাওবা থেংনখিদবা নুমিৎসু য়াওখ্রে।

মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনবগী চাং হৌখিবা থা অনীরোম অসিদা খঙনেম নেমথখিবা অসিনা মীয়ামসু লায়না লাইচৎ অসিগী মতাংদা থৌৱা শান্নরক্তবা, ইকোম কোমথোরকপগী মতৌ উবা ফংদবা নত্তে। পোজিটিভ কেস মশীং য়াম্না থেংনরিঙৈ মতমদা মীয়াম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবা অমদি কিনখিবা মতৌ অদু হৌজিক্তি উদ্রে। মহারাষ্ট্র, কেরলা, পঞ্জাব, কর্ণাটাকা, গুজরাট অমসুং টামিল নাদুদা নুমিৎ খুদিংগী পোজিটিভ কেস মশীং অমুক নৌনা হেনগৎলকপগী মতৌ অসি মণিপুরদা ওইরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। লৈঙাক্লসু, মরী লৈনবা ওথোরিটিনসু কোমথোকপা চুল্লোই। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোরকপা থিংননবগী থৌরাং ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরিসু ওইরিবা ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চ্যেরমেন্না মার্চ ৯দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা এস ও পি ঙাক্লা স্পোর্টস পাঙথোকপদা অথিংবা থমখিদ্রবসু থাবল চোংবা অমদি শুমাং লীলা য়াওনা মীগা মীগা থেংনবা মখলগী থৌরমশিং পাঙথোকপদা অথিংবা থমখ্রে। অথিংবা থল্লকপা অসি য়াম্না মরম চাবা অমনি হায়না লৌফম থোকই। চহী খুদিংগী য়াওশঙ কুম্মৈ অসিদা থাবল চোংবা, শুমাং লীলা পাঙথোকপা নৎত্রগা ঈশৈ নোংমাই য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইন্টরটেনমেন্ট প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্লে। হায়রিবা থৌরমশিং অসিসু মীয়াম তিনবা থৌরম ঙাক্তনি। থাবল চোংবা অমসুং শুমাং লীলা থিংবা খক নত্তনা অতোপ্পা মখলগী মীয়াম তিনবা হরাও কুম্মৈশিংসু ময়েক শেংনা থিংহন্নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩

১) বাংলাদেশতা ফোঙবা অহানবা মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক অসি করিনো, কনানা ইবনো?

২) কলকত্তাদা চৎতুনা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরী ঈশৈ রেকোর্দ লৌরুবা শৈশকপদু কনানো?

৩) ইহান হানবা ওইনা ইন্দিয়াগী সাহিত্য একাদেমিগী এৱার্দ ফংখিবা মণিপুরী লাইরিক অদু কনানা ইবা, করি লাইরিক্নো?

৪) ভগবতি চরণ বর্মাগী ফাওরবা উপন্যাষ ‘চিত্রলেখা’ হায়বসি কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে?

৫) “হয়ুম য়ানবা থৌদাংকোক/শীং চল্লকউ হায়রগা ফৌ পুরকপা য়ানবা/নঙনা চাকপু হায়রগা/ফৌগাক চজিক নমথিবা/চাকপু শানা পীজগে।/নঙনা য়েঞ্জাং হায়রগা/লফু য়েনগং থুমনমদবী/য়েঞ্জাং শানা পীজগে।” মতেক অসি করি ঈশৈদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# রেদিওদা কোরোনাদগী চেকশিন্নবা পীবা পাউজেলগী মতাংদা মীৎয়েং অমা

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

রেদিওদা কোরোনাদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ অহুম পাউজেল ওইনা নুমিৎ খুদিংগী পীবদু ফনা য়াম্না কান্নৈ। মীয়াম্না শকখঙনরবা মীওই কয়ানা পীবা কান্নরবা পাউজেলনি। নুমিৎ খুদিংগী নুমিদাংগী মীতৈলোলগী পাউ অমদি অয়ূক্কী পাউ পাবগী মরক্তা পীরকপা কোরোনাগী পাউজেল অদুবুনি মতাং অসিদা পল্লিবসি। মরক্তা লেপ্পা লৈতনা ফনা য়াম্না শাংনা হায়বদি থা কয়ামরুম লেপ্তুনা পাউজেল অদু পীদুনা লাকই। ঙরাংদি অদুগী মী অদুনা পাউজেল পীখ্রে। হয়েংদি কনানা পীরক্কদৌরিবজাৎনো? মসিসু খঙনীংনা ঙাইবা অমনি। পূক্লিংদা ফাওবা ঈহুল অদুনি। মী অমগী মথংদা মী অমা মথং-মথং লাকপনিনা মথংদা কনা হায়বদু খঙনীংবা পোকই। মীওই কয়াগী মমিং, মখোয়গী খোঞ্জেল, মখোয়গী শিনফম কয়াসু খঙবা ঙমই, মশক উবা ফংদ্রবসু।

পীরিবা পাউজেল অদু মী খুদিংগী ইমান-মান্নরবসু অদুমক তানীংবা ফাওই। অমরোমদা তাবগী কান্নবসু লৈ। নীংশিংবনা অফ-ফত্তগী ৱাখল খন্থবা ঙমহল্লি। কোরোনাদগী চেকশিন্নবা হোৎনবদা মাস্ক উপ্পা, সেনিটাইজর শীজিন্নবা, ফুট তরুক লাপ্না সোসল দিষ্টেন্সিং লৈহনবা হায়বসি মীপূম খুদিংমক্লা খঙনবা ওইরবসু কয়া থওই-ৱাওইনা লৌনদে। অদুবু রেদিওদা নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক্তা অমুক নুমিদাংদা অমুক পাউজেলদু পীরকপা মতমদা নীংশিংহনবা ঙম্বতা নত্তনা কোরোনাগী অকিবা অদুমসু ইশাদা ফাওহল্লি। অদুদগী নীংশিংলক্তুনা মাস্ক উপ্লগা য়ূমদগী থবক হৌই। মসিবু কান্নদে করম্না হায়গনি। রেদিওনা মীয়ামগী চিরবা মতমদা চাউরবা মতেং পাংই হায়বসি চুম্লবনি। মীয়াম্না কান্নবা ফংলিবদু শেল তিংদননি। অদুবু পীরম্বা পাউজেল অদু পীবা লেপখ্রে। তাখিদ্রে অয়ূক অমদি নুমিদাংগী মীতৈলোল পাউগী (মণিপুরী পাউ হায়াগদবা নত্তে) মরক্তা পীরম্বা কান্নরবা পাউতাক অহুম অদু তাখিদ্রে। মীয়ামদা নীংশিংহল্লম্বদু তপ্না-তপ্না কাউথোকহল্লকপসু য়াদবা নত্তে। কোরোনা মৱা লৌনরমদবদু রেদিও তাবদগী অমুক-অমুক খংপ্রেক-খংপ্রেক খংনরম্বনি। পাম্বৈ অহুম শন্দোকপা লেপখিবসি করি মরম লৈবজাৎনো হায়বদু খঙনীংবা ফাওরকই। পাউজেল পীবিনবা মীয়াম্না মশক খঙবা মীওইশিং লৈত্রবজাৎলা? কোরোনাগী পোজিটিভ ওইবা মী মশীং হন্থরকপদগী পাউজেলদু থোইদোক্লা মরু ওইদ্রে হায়না লৌবদগী লেপহনখিবরা? মরম অনী অসিগী মনুংদগী অমদি ওইরমগদরা হায়না খল্লি। হোয় অতৈ মরম ময়াম অমা লৈরম্বসু য়াই।

মীয়াম্না মশক খঙনবা মীওইশিং রেদিও ষ্টেসন্দা লৈরম্বদু থা কয়া পাউজেল পীদুনা লাকপনা মী লৈরক্তবা/লোইশিল্লকপা ওইরম্বসু য়াই। অয়াম্বনা পাউজেল পীখিবা মীওইশিং অদু মীয়াম্না শকখঙনবা ফিল্মগী, লীলাগী, ঈশৈ ময়েক ইবা, শৈশকপা ওইনা অয়াম্বনা তৌই। অতৈ মীওইশিংসু য়াওদবা নত্তে। মীয়াম্না শকখঙনবা মীওইশিং হায়বদি অতৈ শিনফমদা লৈবা শক্লাইবা মীওইশিংগী মমিং, লৈফম, মোবাইল নম্বর কয়া রেদিও ষ্টেসন্দা লৈরমগনি করিনা হায়ববু রেদিওদা মখোয়গী শিনফমগা মরী লৈনবা নুংঙাই-নুংঙাইরবা প্রোগ্রাম কয়া শন্দোকপা লৈখ্রে। মদুগুম্বা প্রোগ্রামশিং অদু মীয়ামগী থম্মোয়দা কাউঙমদনা ঙসিসু লৈরি। খুদম খরদং পল্লবদা খোরিরোলগী হায়বদি সাহিত্যগী লম্দা মীয়াম্না শকখঙনরবা মীওই কয়া উনদুনা ৱারী-ৱাতাই শানবগী নুংঙাইরবা প্রোগ্রাম কয়া লৈখি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীবা সাহিত্য একাদেমি মনা ফংলবা অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পীবা ষ্টেট লিটরেচর এৱার্দ ফংলবা মীওই কয়াগী মমিং-মথা কয়া রেদিও ষ্টেসন্দা লৈবদুদগী লৌখৎলগা কোরোনাগী পাউজেলদু পীহনবা য়াই অমদি মদু থোইদোক্লা লুবা থবক্তি নত্তে। ফুটবোল, ভোল্লিবোল, হোকি, বোক্সিং অমদি অতৈ স্পোর্টস কয়াগী শক্লাইরবা শান্নরোয় কয়াগী নুংঙাইরবা প্রোগ্রাম কয়া হায়বদি ৱারী ৱাতাই তৌনদুনা উনবগী থৌরম কয়া রেদিওদা তাখ্রে। ইন্টরনেসনল, নেসনলগী থাক্তা মেদল কয়া ফংলক্লবা শান্নরোয় কয়া য়াওখ্রে। মদুদসু নত্তনা অর্জুনা এৱার্দ, খেল রত্না এৱার্দ ফংবা কয়া য়াওরে। এসিয়ন গেমস, কম্মনৱেল্থ গেমসতা মেদল কয়া ফংবা শান্নরোয় কয়া রেদিওদা উনদুনা ৱারী শানবগী থৌরম কয়া লৈখিবনা মখোয়গী মরী-মতা, মমিং-মথা শোয়দনা লৈরমগনি। মদুদগী লৌখৎলগা পাউজেল পীহনবা য়াগনি হায়না খল্লি। অতৈ শিনফম কয়াদা মায় পাক্লবা মীওই কয়াগী উনবগী থৌরম কয়াসু লৈখিবনা মখোয়বুসু মীয়ামগী য়েংলগা পাউজেল অদু পীহল্লবদি য়াম্না কান্নগনি হায়না খল্লি।

অদুবু মখোয়শিং অদুগী মমিং-মথা রেদিও ষ্টেসন্দা ফংবা ঙমদ্রবদি খঙদ্রে। মদুনা অতোপ্পা ৱাফম অমদি ওইরে। অদুবু মীওই খরগী ফংবা ঙমদ্রবসু মীওই খরগীদি ফংবসু য়াই হায়না খল্লি। অমরোমদদি ফিল্ম, লীলা, দ্রামা, ঈশৈগী মীওই কয়াগীদি মমিং-মথাগী অকূপ্পা কয়া ফংবদুনবু পাউজেল পীবা ঙম্লিবনি। মদুগুম্না খোরিরোল, স্পোর্টস অমদি অতৈ হীরম কয়াগীসু ফংগনি হায়না খল্লি। পাউজেল পীগদবা মীওইশিং অদুগী তৌদবা য়াদবা চৎন-কাঙলোন অমা লৈব্রা হায়বদুমদি উবা ঙমদ্রে। লৈরমগদবদি মান্দে। মখল-মথেল হায়বসি নুংঙাইদনা। শিনফম কয়াগী মীওইশিং অসি য়াওরবদি মখা চথবসু য়াগনি। হৌজিক লেপখিবসি মী লৈরক্তবদগী ওইরম্বসু য়াই। হোয় ওইরমদবসু য়াই। লেপখিবগী মরম খরসু লৈরম্বা য়াই। অমরোমদা মমিং কয়া তাদবা মীওইশিংসু পাউজেল পীবদা য়াওরকপনা মী লৈরক্তবা ওইগদ্রা হায়না খনবগী ৱাফমসি লাকপনি। ভেক্সিন কাপ্লবদি ফেস মাস্ক উপ্পা তোকপা য়ারে হায়বদি লৈত্রি। ফুট তরুক্কী সোসল দিষ্টেন্সিং তৌদ্রবসু য়ারে হায়বদি লৈত্রি। হায়রিবা চৎন-কাঙলোন অহুম অসি ভেক্সিন কাপ্লবসু মখা অদুমক চথখিগদবনি হায়বা অচেৎপা ৱাফম লৈরি। অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা য়েংলগা পাউজেল পীবগী থৌওংদু মখা চথবিবা য়াই হায়জনীংই। অদুবু ৱাফম পূম্নমক মীয়ামগী য়েংলগা য়াইফনবা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্ন-নৈনবনি। ●

# লমদমসিদা শিংৎলিবা মতমগী নুংশিৎ

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

হৌজিক-কানসি ইম্ফাল সিটিদদা নত্তনা মণিপুর পূম্বদা শিন-থুংনা শিংৎলিবা মতমগী নুংশিৎসি খোঙচৎ হোংলক্লে, মায়ওন লেপ্পা ঙল্লকত্রে। ইরমদমসি অঙৈং-অশাগী চাং খেন্নরক্লে, অরেপ্পা মওং লৈরক্ত্রে। হৌজিক্তা অচুম্বা হায়বসিবু কদাইনো, পুথোক্তুনা তাক্লবা, খুদম ওইনা উৎনবা মচেৎ ফাওবা লৈশিল্লকত্রে। নুপা হায়বা লৈতে, নুপী হায়বা লৈতে, মী লোইনা হাৎপা ঙম্নরক্লে। মীপূম খুদিংমক্লা মচিন্দা ঙাঙথোক্লকপগা মপূক্লুংদা খনবগা অমত্তসু মান্নদ্রে। সিরা চাওখৎলকপা হায়রিসে, মী শিবা য়াবা ৱা ইরায়-লায়না হায়বা ঙল্লকপা? মতম অমদা লাইগী লৈবাকনি হায়নরম্বা ইরমদমসি ঙসিদি ভুৎকী লৈবাক ওল্লে। অঙম-অথৌশিংনা মচিন য়াংবা তান্নবদা মীচমশিংবু শান্নপোৎকুম, চুজাক কবোক পোকপগা চপ-মান্নহনবা, পূম্নমকপু অঙাওবা শীবনি। লৈবাকসিদা লৈরিবা অচৌ-অশাংশিংনা লেপশিন্নরিবা, পৈশিন্নরিবা মরল-মথুমশিং, মখোয়-মখোয়না ফংনরিবা থাগী খূৎশুমলশিংদুগা য়েংনবদা চানরিব্রা? লমদমসিগী অঙম-অথৌশিংসিবু তোলোপ কয়াম চাউনা চাবা জাৎনো? খজিক্তং হেক পকশিল্লুবদা এক্সন, এক্সন হায়বসিদা অইবশিংসি থৱায়কাসি তীং-তীং লাউনরে। লমদমসিগী অইবা খুদিংমক কলম মচিন থৈবা লাক্লবদা হুমাং কাংনরবনি। লৈবাকসিগী অচুম্বা পাউশিং চুম্না পাবা ফংনরকখিদ্রা খনবদা ৱাই। পাউচেশিংগী লামায়দা ফাওবা মমি চুম্না তারক্কদবা মান্দ্রে। ফীভমসিদা, কদাইদনো লৈবাকসিদা ফ্রীদম ওফ স্পিচ, ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন?

কাল্লে ফূনি, কান্দ্রে ফূনি, অঙম্বশিংনা ঙম্বসি মনীংনি, মীচমশিংনা অঙম্বশিংগা লম্বা পানবা ঙম্ফম থোক্তে। সিসু অচুম্বা নত্তবরা? নূংগা য়েরুমগা কাওনবদা কনানা ঙম্ফম থোকই? ইপা-ইপুশিংগী পাউরৌশিংদি চুমখ্রে। অহলগী করি-করিনা চফু মেল্লি হায়নরম্মী, হৌজিক্তা অঙাংগীনা রোকেট শাইগা হায়নরিবসিদি চিন্থোকনি, বাল্লোকনি। অদুগী মহুত্তা, মতমসিদা চৎনবী য়াবা ৱাহৈশিং, “মতমসিগী পোইরৈ খঙনা খোঙ থাঙঙু’ - ‘কাল-কালগী পাত্রদা য়ানবা হাপ্পা তম্মু’ অসিনচিংবশিং তাকপীবনা হেন্না ফৎত্রা? সিদসু নত্তে, লৈরি, ‘ননাকোং মেনশিল্লগা তাবা তম্মু’ - ‘চীনবান কাঙথোক্তনা ঙাঙনীংবা ঙাঙবা তম্মু, মীৱা তাবা য়াওরোই, ৱাচেন্নরোই হায়রবদি’... পাউরৌ কয়া-কয়ানি। হায়বগুম্লদনা, ঙাঙববু হৈরবদি, মপা চৈরবা ফাওবদসু শাউদে হায়নরিবনি, হৈ-শিংনা, থৌগল্লোন কায়দনা ঙাঙনবদি, ঐখোয় খুদিংমক মতমসিদা হনবা তম্বা মথৌ তাই। পূম্নমকসি মতম্না পুরকপা থৌওংশিংনি। হুরানবা চঙদনবা অহিং য়ারেক্তুনা য়ূম-ইঞ্খোল শঙহন্নরম্বা হুইশিংবু, মতমসিদা হুই ওইনা হুরানখিনি কিনবদগী ইমুংদা নৎত্রগা য়ূমথোল মথক্তা থম্নরক্লিবসিনি। মতম অমদা ইরমদমসিদা শুম্না চৎনরক্কনি হায়বা কনানা থাজনরমগনি? হৌজিক্কী মতমসি, ইরমদমসি তশেংনা ওল্লবনি। ঙাঙনীংবা ঙাঙবা য়াররোই, শক্লিংবা শকপা চুল্লরোই। সিসু চুম্মী অমরোমদদি, ঙাঙনীংবা ঙাঙবা, উৎনীংবা উৎপদা থুনা-য়াঙনা ভাইরেল চৎনরক্লবা ফীভম, হৌজিক্কী মতমসিদদি য়াম্না লায়না লৈনরে। ঐনা-ঐনা ঙাঙনীং-ঙাঙনীংবা ঙাঙথোকপদা মদুনা, লৌনীংবদা লৌনরক্লবা সোসাইটিসিদা অসুক্কী মতিক হেন্না ৱাথোক মশীং য়াম্বা হেনগৎহল্লকই। ৱাথোক মশীং থিবা ঙল্লক্ত্রবা লমদমসিদা, ৱাথোক মশীং হন্থহন্নবগী লম্বী থিবসু মথৌ তাই। য়ারিবমখৈ ঐখোয় ৱা কা হেন্না ঙাঙদবা অমদি কা হেন্না মীঙোন্দা উৎথোক-তমথোক্তবা হায়বসিনা হৌজিক্কী মতমদা ৱাথোক মশীং হন্থহন্নবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি। পেবেৎ মচাশিংদা পেবেৎ মমানা ‘ইচাশা! য়ারিবমখৈ ৱা য়াম্না ঙাঙনরক্কনু, হৌদোং লম্বোইবা লাকই’ হায়বা থায়নগী পাউরৌ ৱারীদা য়াওবা ৱারী পরিং মতেকসিসু ঐখোয় নীংশিংনবদা কান্নগনি। নৎত্রবদি, মরম চাদবদা ঐখোয় হৱাই থোংবা য়াম্না তোয়না চাননি। ৱাফমসিমসু ঐখোয় মতম পূম্নমক্তা খঙজিনমিন্নবা চুমব্রা খল্লি। কৈদৌঙৈদা খক য়েরুম ঐখোয়না কাওবদা নূং মখোয়না কায়ররোইদবনি, নূংদনা কন্দুনা লৈহৌরগদবনি। মতমসিগী মীৱা ঙাঙনবদা ঐখোয় য়াওগুমসি, পায়নীংবা কাঙবুনা পৱার পায়জসনু, চাউনীংবা কাঙবুনা চাউজসনু, মীগী মরায়বকপু ঐখোয়না মতৌ তম্লুবা য়াব্রা? মীনা লংবা তুপিনা উরেম্বী উপ্পী হায়রবসু, ঐখোয়না লংবা তুপিদি কৈনো হেক্তা উপকদৌরিবনি। সিদি, দাউ য়াদবা ঐখোয়গীদি মহৌশানি।

চহী চূপ্পা উনতনা কুপশিনবা হিমালয় চীংজাওদগী হৌরকপা গঙ্গা তুরেলগী শেংলবা, লুরবা ঈশিংনা, মীনা কূক-কূক ইন্নবা কোলকটা সিটি ফাওরকপদা কয়াগী মতিক মোৎলিবা, নৈরিবা? গঙ্গা তুরেলগী ঈচেলনি থাজরক্তে। ৱাফমসি মীপূম খুদিংমক্লা খঙনরবনি। দেল্লিদগী ময়েক শেংনা, মচা খায়না, মণিপুরগীদমক লায়রবা মীচমশিংনা অৱা-অনা কোকথোকচনবা অমসুং লায়রবগী পনখৈ লান্থোক্লবা পীবিরকপা শেল-থুমগী প্লান কয়া, গঙ্গা তুরেলগী ঈচেলনা কোলকটা য়ৌরকপদা নৈখিবগুম, মণিপুর হেক য়ৌরকপদা হেক্তা পুম্নৈ নৈ। কনানা য়েল্লিবা, কনানা ফংলিবা, মথোং-মরম অমত্তা মমুৎ তানা খঙনদে। চমোৎনবা মণিপুরগী সিচুয়েসনসি লান্থোক্লবা হোৎনবদা চনৈননা লোইশিনখিবা হায়বসি মহৌশানি। অদুম ওইনমক, লুরিবদি ঐখোয় থৌদৌসি উরবসু ৱা ঙাঙবদি য়াদ্রি। মসিসু মতমগী ঈচেলনি। উরবসু উদে, তারবসু তাদে, খঙলবসু খঙদে হায়বসিতনা মচুম্লবা ঙসিগী ইরমদমসিগী সিচুএসননি। পেন্দে হায়দুনা হৌজিক্কী মতমদা, কনাদনো ঐখোয়না ৱাকৎলুবদা কান্নগদৌরিবসি? লৈরম্বদি য়াই মফম অমা, অদুবু ঐখোয়দি খঙদে। মতমসিদা তূমিন্না লৈথোকপদগী হেন্না ফবা থৌদৌ অমমুক ইরমদমসিদা লৈত্রবরা খল্লি। ৱাখল্লোনসি ফাওহল্লিবসিসু মতমসিগী ঈচেলসিননি। হিংবদা মথৌ তারিবসি করিনো, ৱাৎলিবসিনা কদায়নো, হংনবা ফাওবা য়ানরক্ত্রবা মতমসিদা, ঐখোয়না ইরমদমসিদা শুপ্নগী ৱাহং অমত্তং ফাওবা হংজনবগী রাইট লৈরিব্রা? থৌদৌসিদা পূক্লিংদা অকিবা ফাওরকই, ৱাখল মিরাং থুরকই। নোংম-নোংমগী ইরমদমসিদা ওল্লক্লিবা মওংসিদা, মীচম মীয়াম পূম্নমক্কী ৱাখলদা নুংনাংবা পোক্লদবা ঙল্লক্তে। ঐখোয় ইরমদমসিগী য়েলহৌমীশিংনি। য়েলহৌমীশিংনা মরমদমদা তংদু লৈতানা হিংজবদা মপূক্লিংদা অকিবা ফাওফম থোকপ্রা? ফাওরম্বা থোক্লগনা করি-করম্বা মরমগীনো, থিদোক্লবা হোৎনবগী মথৌ তাই। অমত্তা নত্তে, তরাসু ওইসনু, অশোয়বা, অরানবা শেমদোক-শেমজিন তৌনবগী থৌদৌবু লৈরবদি, কয়ারক হন্না শোয়রবসু, কয়ারক হন্না চুমথোক্তুনা মমৈথংদা অদুম্মক অশোয়বা, অরানবা লৈতবা লমদম অমা হায়বদু ওইরক্কনি। ঐখোয়গী লমদমসিদা চৎনরিবা অঙম্বশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন লাল্লবসু অদুম্মক কনামতনা হায়নবা য়াদবগী থৌওং অমসুং মশা মতোমতনসু রিএলাইজ তৌজরক্তবগী থৌদৌশিংসিদি পেন্দে হায়বা অদুম্মক তাবনি। ইরমদমসিগী লুচিংবশিংনা, ইশানা তৌখিবা থবকশিং মীয়াম্না করি ঙাঙনরিবগে অমসুং করি লৌনরিবগে হায়বসি য়ামদ্রবদা অমুক্তংদি চেকশিন্না রিভিয়ু তৌহন্নীংই।

ইরমদমসিবু নুংশিজবনা ইরমদমসিগী লৈঙাক্লা শীনবীরকপা খুদিংদা ঐখোয়না ঙসি ফাওবদা ইকায়খুম্নবা উৎপা লেপ্লকত্রি। অদুগা, ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা হায়বা খুদিংমক্তসু ঐখোয় অমত্তসু হিক্তোকপা তৌরকত্রি। অদুবু, ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা ইরমদমসিগী মীচম-মীয়াম্বু নুংশিবীবা অমসুং ৱা তাবীবগী থবক্তি মহৌশাদগী হৌনা অদুম্মক ইৱাৎতা-ৱাৎলকপগুম উনরি। সিসু মতমগী নুংশিৎ মানা অহোংবা খরদং পুবিরক্লবদি ফগনি। ●

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### চাক্লুক্তা খূৎ-শা হাম্নগুমসি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

লমদমসিদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংগী মনুংদা হিন্দু লাইনীং অমদি মৈতৈ লাইনীং চৎপশিংনা খ্বাইদগী কুঙনা পাঙথোকপা চাক্লেন য়াওবা কর্ম্মদা য়ূম্থু য়াওনা চেবাউ ফংলবা-ফংলবীশিংনা চাকখাওনা নীংবা থুংজরে হায়না ইঙ্গিৎ পীরকপা মীৎকুপ্তা চাক্লুক্তা খূৎ-শা হামজিনবগী চাউরবা চৎনবী অমা লমদমসিদা মমাঙঙৈদগী উদুনা লাক্লি, তুংদসু উদুনা লৈখিগদৌরি। চৎনবীনি হায়দুনা মীয়াম্না তৌনৈ হায়দুনা মফম চান্নবা চান্নদবা য়েংদনা চেবাউ হেন্না তৌশিন্দুনা শঙ্গ চাউবা শাদুনা নুংদনা পোৎয়েং হেন্না ফংনবা পান্দমদা চাকলেন য়াওবা কর্ম্ম লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্লরি। মখল মথেলগী চমল য়াওরবা চাকলেন চারগা চাক্লুক্তা সর্ফ-সাবন য়াওদনা খূৎ নাম্মখক হাল্লগা পুকচেপ পায়রগা হৌগৎনবদুনা মীওইবা ঐখোয়গী হকচাংদা কদায় ফাওবা শোকপা শোক্তবা অখঙ অহৈশিংনা কূপ্না নৈনবীয়ু। খূৎ-শা হামজিল্লবা মহি-মনাই থন্না য়াওরবা চাক্লুকশিং শেংদোক্লবা হোৎনবদা অশিন অরাংশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোক্লিবশিং চেবাউ ফংলবা-ফংলবীশিংনা ৱাখল খনফম থোকপ্রা খঞ্জে। চাক চাবা হৌরকপা মতমদা থৌবুরেলশিংদুনা মাঙজৌননা চারিবা-চারিবীশিংদুদা চাক্লুক্তা খূৎ হামজিনবীদনবা পাউজেল পীহৌরগদি ফগদ্রা খঞ্জে।

চাকলেন য়াওবা কর্ম্ম পাঙথোকপা মতমদা চেবাউ হেন্না তৌশিনবদগী অহানবা, অনীশুবা, অহুমশুবা গ্রুপ খায়দোকপা মফম কয়াসু লমদমসিদা তোয়না থেংনরি। অহানবা গ্রুপ্না চাক্লেন ফংলিঙৈদা ফংহৌদবা কাঙবুনা পুক পায়দুনা খাঙনবা অমদি চাক্লেন ফংনীংদদুনা পোৎয়েং চাউনা পীরম্লগা নীংবা কায়না ময়ূমদা হন্নখিবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে। মফম পিক্লবদি চেবাউ হেন্না তৌনবগী চৎনবীসু থাদোকপা চুমগদ্রা খঞ্জে। চাক্লুক্তা খূৎ-শা হাম্বা অমদি চিন-য়া তেংবা মতমদা থংনবগী ফৈজোম, ফুরিত্তা চোংখিবা কয়া য়াওদবা নত্তে। চাক্লেন য়াওবা কর্ম্ম পাঙথোক্লরিবা থৌবুরেলশিংনা চাক্লেন ফংবা লোইরগা খূৎ-শা চামথোক্লবা মফম চাবা য়েংলগা ঈশিং, সর্ফ, সাবন অমদি ফদি থম্বীনবা চৎনবী হৌদোক্লসি নৎত্রগনা চাক্লুক খুদিংগী য়েৎ নৎত্রগা ওইদা থক্লবা ঈশিংগী পাত্র থম্বীবগুম চাক্লেন ফংবা লোইরগা খূৎ-শা, চিন-য়া শেংদোক্লবা চাক্লুক মপুগী নাকলশিংদা ফদি-সাবন অমদি চান্নবা পাত্র ১/১ থম্বীদুনা থৌগল ফংহনবীয়ু। চাক্লেন য়াওবা কর্ম্মদা চাক্লুক্তা খূৎ-শা হাম্বা অমদি চিন-য়া শেংদোকপগী চৎনবী লমদমসিদগী মরূ ফংনা মুখৎমিন্নরসি।

*অদোমগী - চৱাল খাইদেম, খুরাই সাজোর লৈকায়*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।